# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Tuesday, May 04, 2021, Imphal






ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা শীন্দুনা 'বিলিভ ইন স্পোর্টস' হায়বা কেম্পেন্যনদা তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা এম্বেসেদর ওইহনবগী থৌদাং পীবদা কানাদাগী বেদমিন্টন শান্নরোয় মিসেল লিগা পূন্না খনখ্রবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু

চেম্পিয়ন্স লীগকী সেমীফাইনেলগী ২শুবা লেগতা ইংলেন্দগী চেলসিগা শান্নগদৌরিবা য়ুমশকৈশাগী মেটচ অদুদা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী মসল শোকপদগী শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা ক্লব অদুগী দিফেন্দর অমা ওইরিবা রাফেল ভারানে



## চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভা অমসুং স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, মে ০৩ (এজেন্সী):

স্পেনগী সিটি মাদ্রিদতা পাঙথোকপা দব্লিয়ু টি এগী য়ু এস দোল্লর ৭,০২১,১২৮গী শেলগী মনা লৈবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভা অমসুং স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক মখোয়-মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৯শুবা সিদেদ ওইরিবা চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভানা রসিয়াগী ভেরোনা কুদরমেটোভাবু অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা থোইখি। অহানবা সেট অদুদা কিটোভানা কুদরমেটোভাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখিবা অদু রসিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেটতা ফজবা হেল্লকপদগী চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় অদুগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইদুনা শান্নরোয় অনীমক সেট অমমম্ মায় পাক্লরগা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মখা তানা শান্নরোয় অনীগী লেং মান্নদুনা সেটকী হৌরকপদা গেম মায় পাক্লদুনা হেঞ্জিন্নবা ঙমখিদে। অদুবু এক্সপরিয়েন্সকী লম্দা থাক হেনখিবী চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভানা রসিয়াগী কুদরমেটোভাগী সর্ভিস গেম অমা মুনবা ঙমখিবদগী ৬-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি অমদি পোলেন্দগী আই সিৱাটেক অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।



অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা টুনিসিয়াগী ও জেবোরগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াবদি, বেলিন্দা বেন্সিক অমসুং মহাক্কী লম্বা ও জেবোরনা মখোয়-মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মথংশিংনা য়ু এস এগী শান্নরোয় বি পেরা অমদি স্লোনে ষ্টেফেন্সপু মায়থীবা পীরম্বনি।

ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুদা বেলিন্দা বেন্সিক অমসুং ও জেবোরগী অহুমশুবা রাউন্দগী লম্বা অদু হৌরকপদগী য়াম্না নক্লবা লম্বাদা গেম খূদিংমক ইন্নদুনা লাকখি। গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা শান্নরোয় অনীমক গেম ৬/৬ থোইনবদগী টাই ব্রেকতা লাইবক য়েংনবদা বেলিন্দা বেন্সিকনা পোইন্ট ৭-২দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা মখা তানা শান্নরোয় অনীগী লম্বা মান্নখি। অদুবু বেন্সিকনা গেম ৪-৩দা মাঙজিল থারিঙৈদা জেবোর শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা বেন্সিক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা লাটভিয়াগী সেবাষ্টোভা অমদি স্পেনগী বাদোসা অনীগী অথোইবগা শান্নগনি।

## লিওননা মোনাকোবু থোইদুনা লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসন য়ৌনবা হোৎনরক্লি



পেরিস, মে ০৩ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা লৈবা লুই সেকেন্দ ষ্টেদিয়মদা মোনাকো ফুটবোল ক্লবনা য়ূম্বু ওইদুনা লিওনগা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ৩৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ূম্বু ক্লব অদু লিওনগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীদুনা লিওননা অহুমশুবা পোজিসন য়ৌনবা কন্না হোৎনরক্লি।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা মোনাকো অমদি লিওননা মিনট ২০ লোমগী শান্নবা লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা অমত্তা ফংনখিদে। অদুবু য়ূম্বু ক্লব মোনাকোগী মায়কৈদগী মেটচকী ২৫ শুবা মিনটতা ৱিসম বেন য়েদরনা পাস তৌরকপা বোল অদু টিমমেট কেবিন ভোলানন্না নীংথিনা শীজিন্নদুনা পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা লিওনবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি। মিনট ২০ লোম লেমহৌরিবা অহানবা হাফ অদুগী মখা তারকপা লম্বা অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ অদু হৌরকপদা লিওনগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না থিদুনা লাকখিবা ইক্বেলাইজর অদু শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা কার্ল টোকো ইকম্বীনা পীরকপা বোলদা মেমফিস দিপেনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।

পাঞ্জল মান্নখ্রবা মতুং লিওনগী শান্নরোয়শিং খোঙজেল য়াঙখৎলক্লুনা মিনট ২০ লৈরগা মেমফিস দিপেনা ইন্থোরকখিবা য়াম্না ফজবা বোল অমদা মার্সেলোনা পাঞ্জল চন্দুনা মোনাকোবু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মোনাকোগী শান্নরোয়শিংসু হোৎনবা লেপখিদে।

মিনট ৯গী মনুংদা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথরকপা অকনবা এটেক অমদা ৱিসম বেন য়েদরনা ইক্বেলাইজর অদু ৮৬শুবা মিনটতা চনখি। অদুবু মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু লিওনগী মায়কৈদগী মাটিয়া দি স্কিগ্লিওনা ইন্থোরকপা বোল অমদা রায়ন সর্কিনা চন্দুনা ৮৯শুবা মিনটতা মখোয়না ৩-২দা হেন্দুনা মেটচ অদু থোইবদগী পোইন্ট ৭০ ফংদুনা ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎনবা হোৎনরি।

## জেরেথ বেলগী হেটট্রিকনা টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাক্লুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা থাক্তা লৈখ্রে

লন্দন, মে ০৩ (এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লীগ অদুগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা ক্লব শেফিল্ড য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনবদা জেরেথ বেলনা হেটট্রিক চন্দুনা টোটেনহাম হোটস্পর ৪-০দা মায় পাকপদগী ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।



মেটচ অদু টোটেনহাম হোটস্পরনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবনি। পুংখায় অমরোম পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং টোটেনহাম হোটস্পরগী সর্গে ওরিয়রনা পীরকপা বোলদা জেরেথ বেলনা মহাক্কী হেটট্রিককী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

শেফিল্ড য়ুনাইটেদ লীগ অসিগী মমৈদা লৈজরবসু মেটচ অদুদা অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নবা ঙমখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল ১-০দগী হেনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপগী মিনট ১৬ চঙশিল্লকপদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টোটেনহাম হোটস্পরগী জেরেথ বেলনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু টিমমেট হিয়ুং মিন সোননা পীরকপা বোল অমদগী চন্দুনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু ২-০দা হেনখি। পাঞ্জল ২ শোথরবা শেফিল্ড য়ুনাইটেদ খূৎ হনবা ঙমদনা লৈখি। মেটচকী ৬৯ শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী সর্গে ওরিয়রনা পীরকপা বোল অমদা জেরেথ বেলনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু চনখি। মিনট ৮ লৈরগা মেটচ অদু মায় পাক্লগদবা টোটেনহাম হোটস্পরগী মখা তাবা এটেক অমদা ষ্টিভেন বর্জুইননা পাস তৌরকপা বোল অমদা হিয়ুং মিন সোননা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু ৪-০দা থোইখি।

## সামদোরিয়ানা এ এস রোমাবু ৩৪শুবা রাউন্দদা পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা সেরি এগী ৯শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

রোম, মে ০৩ (এজেন্সী):

ইটালিগী সিটি রোমদা লৈবা লুইগি ফেরারিজ ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেরি এ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবা এ এস রোমাবু ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা সামদোরিয়ানা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু সামদোরিয়াগী মায়কৈদগী মমাংদা মখোয়না লীগ অসিগী মকোক থোংবা টিমশিংগা লম্বা তৌনবদা উৎখিদবা মওংদা ফজনা রোমাবু লম্বা পীরকখি। মদুনা মরম ওইরগা শান্নবগী অহৌবা মিনট ৪০ হেল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অহানবা হাফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা সামদোরিয়াগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা রোমাগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোক্লুনা মোর্টেন থোর্সবিনা মহাক্কী টিমমেট এদ্রিয়েন সিলভাদা ইন্থোরকখিবদা সিলভানা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা রোমাগী মায়োক্তা টিম অদুগী গোলকিপ্পর মায়থীবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচকী হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা রোমাগী মায়কৈদগী মখোয়গী টিমনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবনি। টিম অদুগী ফোরৱার্দশিংনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু সামদোরিয়াগী পাঞ্জল ১ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা শান্নরোয়শিংনা মায় পাকহন্দুনা অরেম্বা তাহন্দুনা লাকখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা সামদোরিয়াগী ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা ভালেরিও ভেরেগী ক্রোস অমদা জাকুপ জাংতোনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপগী লম্বেল অদু নকশিনখি।

পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৬ লৈরগা রোমাগী মায়কৈদগী পুশিনখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। অদুবু খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী এদিন জেকোনা কাওবদা পাঞ্জল ওইহৌদবদগী ০-২দা মায়থীখি। পনবা য়াবদি, সেরি এগী ওইনা ইন্টর মিলাননা পোইন্ট ৮২ ফংদুনা লীগ অসি লোইদ্রিঙৈদা মাংজৌননা চেম্পিয়ন ওইখ্রবনি।

## বর্সেলোনানা ভেলেন্সিয়াবু ৩-২দা থোইদুনা রিয়াল মাদ্রিদকা পোইন্ট মান্ননা লৈখ্রবসু লীগকী ৩শুবদা লৈরি

মাদ্রিদ, মে ০৩ (এজেন্সী):

স্পেনগী লালিগাগী ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লীগ অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা বর্সেলোনানা ভেলেন্সিয়াবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা রিয়াল মাদ্রিদকা পোইন্ট ৭৪/৭৪ মান্নদুনা লৈখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা রিয়াল মাদ্রিদতগী থাক অমা হন্থরি।



ভেলেন্সিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা টিম অদুগী হোম গ্রাউন্দ মেষ্টালা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টিম অনীমক অকনবা লম্বা থেংনবদগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ৫০শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী গেব্রিএল পোলিষ্টানা টিমমেট কার্লোস সোলরগী বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী লিওনেল মেসিনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা বর্সেলোনাগী অতোপ্পা শান্নরোয় এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল ১গা চল্লবা মতুং মেসিনা ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চনখ্রবসু ভেলেন্সিয়াগী কার্লোসনা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা বর্সেলোনানা ৩-২দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী আর্চর জয়েন্তা তলুকদার কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

গুৱাহাটি, মে ০৩ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ইন্টরনেসনল আর্চর জয়েন্তা তলুকদার কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী হোস্পিটালদা এদমিট তৌখ্রে হায়রি।

নুমীৎ খরনিগী মমাংদা জয়েন্তা তলুকদার কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী গুৱাহাটিদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা মশাগী ওক্সিজেন লেভেল অদু নেমথরকপদগী হৌজিক-হৌজিক হোস্পিটাল অদুগী আই সী য়ুদা লায়েংদুনা লৈরি হায়রি।


COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

Test Series With Discussion After Test

NEET-UG (Medical) 2021


Seats are Limited

Enrolment on first come first serve basis of admission

For details please contact :- COMET office between 10am to 4pm, New Block, Keishamthong Top Leirak Maning

HL-B/6962/4,5,6/5


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 98**

**FM Al-Hajiri, Bader (2120) - WIM Srija, Seshadri (2255)**
**25th Abu Dhabi Masters Abu Dhabi UAE, 2018.08.08**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Nf6 | 4.Ng5 d5 |
| 5.exd5 Na5 | 6.Bb5+ c6 | 7.dxc6 bxc6 | 8.Qf3 Be7 |
| 9.Bxc6+ Nxc6 | 10.Qxc6+ Bd7 | 11.Qc4 O-O | 12.Nc3 h6 |
| 13.Nf3 Rc8 | 14.Qe2 e4 | 15.Ne5 Bf5 | 16.O-O Qd4 |
| 17.Qb5 Bc5 | 18.b4 Qxe5 | 19.bxc5 Ng4 | 20.g3 Rxc5 |
| 21.Qe2 Rb8 | 22.a4 Qe6 | 23.Ba3 Rcc8 | 24.Rae1 Nf6 |
| 25.f3 Bh3 | 26.Rf2... | | |

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 97 Ans. :**

**26.** ...Qa7 **27.** Bxd8 Rxb3 **28.** Bxf6 gxf6 **29.** Qh5 Rb1+ **30.** Kh2 Kg8 **31.** Qxh6 a5 **32.** Qg7#

**27.**Bxd8 Rxb3 **28.**Bxf6 c4 **29.**Bxg7 Kg8 **30.**Bxh6 cxd3 **31.**Be3 Qc7 **32.**Qh5 Qd8 **33.**Bg5 Qf8 **34.**Nh6+ Kg7 **35.**Ng4


ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

RESULTS FOR HSLCE 2021 PREPARATORY MOCK TEST

RANK HOLDERS

| Sl. | Name | School | Roll No. | Marks | Position |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Nancy S. | Nirmalabas | 10239 | 442 | 1st |
| 2. | H. Vivekanandagiri | Regular E/S | 10352 | 432 | 2nd |
| 3. | Lanchenbi A. | Friendship E/A | 10219 | 431 | 3rd |
| 4. | I. Ritu | Sacred Heart | 10273 | 424 | 4th |
| 5. | Prithiviraj M. | New Model P/S | 10248 | 421 | 5th |
| 6. | Pretty H. | New Model P/S | 10226 | 419 | 6th |
| 7. | Alia M. | Nirmalabas | 10246 | 416 | 7th |
| 8. | Baby Ruman | Tiny Tots | 10315 | 412 | 8th |
| 9. | T. Nirchita | Nirmalabas | 10275 | 406 | 9th |
| 10. | Pretty Th. | Regular E/S | 10212 | 405 | 10th |
| 11. | Tej Paul | St. Joseph | 10296 | 404 | 11th |
| 12. | M. Shitaljit | Heritage | 10277 | 403 | 12th |
| 13. | M. Lanchenba | Donbosco CCP. | 10249 | 399 | 13th |
| 14. | Joyshree L. | Christ Jyoti | 10231 | 397 | 14th |
| 15. | Chinthianpiak | Cambridge CCP. | 10204 | 396 | 15th |
| 16. | Nasim Banu | Christ Jyoti | 10294 | 394 | 16th |
| 17. | Sararita Y. | Regular E/S | 10266 | 393 | 17th |
| 18. | Peterson L. | St. Joseph | 10237 | 393 | 17th |
| 19. | K. Rilasa | Nirmalabas | 10253 | 391 | 18th |
| 20. | SK. Jagjit | St. Joseph | 10261 | 390 | 19th |
| 21. | Lingjel L. | Nirmalabas | 10270 | 389 | 20th |
| 22. | Th. Chandrika | Nirmalabas | 10265 | 388 | 21st |
| 23. | P. Sanathoi | Little Flower | 10297 | 385 | 22nd |
| 24. | Th. Suranjit | Triveni P/S | 10292 | 383 | 23rd |
| 25. | Dhakeshwor S. | St. Joseph | 10218 | 381 | 24th |
| 26. | Michelle T. | Tiny Tots | 10242 | 380 | 25th. |

SUBJECT TOPPERS

**English**
1. M. Prithiviraj (New Model P/S) 73
2. Nasim Banu (Christ Jyoti) 73
3. M. Shitaljit (Heritage) 72

**Social Science**
1. Nancy S. (Nirmalabas) 67
2. M. Prithiviraj (New Model P/S) 66
3. Aliya M. (Nirmalabas) 64

**Additional Subject**
1. Kelina Ch. (Little Flower) 80 (Comp)
2. Vivekanandagiri (Regular E/S) 79 (H/Maths)
3. M. Prithiviraj (New Model P/S) 79 (Thang-Ta)
4. Lanchenbi A. ( Friendship E/A) 79 (Thang-Ta)
5. Nasim Banu (Christ Jyoti) 70 (H/Sc)

**M.I.L.**
1. Nancy S. (Nirmalabas) 78 (MAN)
2. Vivekanandagiri (Regular E/S) 77 (MAN)
3. Kelina Ch. (Little Flower) 77 (MAN)
4. Chinthianpiak (Cambridge CCPur) 76 (Paite)
5. Ninevie Khartu (Little Flower) 74 (AE)

**Mathematics**
1. Nancy S. (Nirmalabas) 80
2. Lanchenbi A. ( Friendship E/A) 80
3. Yaisana M. (Little Flower) 80

**Science**
1. Pretty H. (New Model P/S) 73
2. I. Ritu (Sacred Heart) 72
3. Harsheeta Th. (Little Flower) 71

1st Division (in order of merit) 10317, 10203, 10267, 10227, 10217, 10300, 10340, 10247, 10285, 10225, 10287, 10314, 10243, 10234, 10213, 10320, 10283, 10269, 10276, 10224, 10286, 10271, 10202, 10250, 10257, 10282, 10241, 10321, 10256, 10222, 10251, 10281, 10322, 10326, 10220, 10329, 10208

For Inquiry of Marks Scored please send name & roll number through Whatsapp

Contact Nos. 8732022342 / 7628946313

HL-B/6869/4,5,6/5